## পাকিস্তানগী মীওই অনীনা শাবা সিক্যুরিটি দেলিগেশন টিম অমা ইন্দিয়াদা থুংলরে

### ধর্ম্মশালা মেচকীদমক পাকিস্তানগী ফেন ২৫০ দা ভিসা পীখ্রে



করাচি, মার্চ ০৭ ঃ

ইন্দিয়ানা য়ূম্বু ওইদুনা পাঙথোক্কদৌরিবা আই সি সি টি-২০ গী মার্চ ১৯ দা হিমাচল প্রদেশকী ধর্ম্মশালাদা ইন্দো-পাক অনীনা শান্নগদবা মেচকীদমক ইন্দিয়ন গভর্ণমেন্টনা পায়খৎলিবা সিক্যুরিটিগী চেকশিন থৌরাং য়েংশিন্নবগীদমক ঙসি পাকিস্তানগী মেম্বর অনীনা শাবা সিক্যুরিটিগী দেলিগেশন টিম অমা ইন্দিয়াদা থুংলখ্রে।

টিম অদুনা ইন্দো-পাক অনীনা শান্নগদবা মফম য়েংশিনখিবগা লোয়ননা মফম অদুদা লৌখৎলিবা সিক্যুরিটিগী থবক থৌরমশিংগী রিপোর্ট শেম্বা হৌখ্রে।

মখোয়না বোর্ড ওফ কন্ট্রোল ফোর ক্রিকেট ইন ইন্দিয়া (বি সি সি আই) গী ওফিসলশিং অমদি হিমাচল প্রদেশকী চীফ মিনিষ্টরগসু উনদুনা সিক্যুরিটিগী মতাঙদা খন্নগনি।

অমরোমদা ইন্দিয়া গভর্ণমেন্টনা ধর্ম্মশালাদা পাঙথোক্কদৌরিবা ইন্দিয়া অমদি পাকিস্তান অনীগী মেচ য়েংননবগীদমক পাকিস্তানগী ফেন ২৫০ দা ভিসা পীখ্রে হায়না ইন্দিয়ন ওথোরিটিনা ফোঙদোকখ্রে।

অমরোমদা, ইন্দিয়ন হায় কম্মিসন্না ইন্দিয়াদা চৎকদবা পাকিস্তানি ওফিসল অনীগী ভিসা পীরকখ্রে হায়না পাকিস্তানগী ইন্টরিয়র মিনিষ্ট্রিগী চেরোল অমনা নোংমাইজিং নুমীৎতা ফোঙদোকখ্রে। পাকিস্তানি ওফিসল অনীনা ইন্দিয়াদা ৱর্ল্ড টুয়েন্টি ২০ গী মাঙওইননা নেসনল টিমগীদমক সিক্যুরিটিগী শিন-লাংলিবশিং য়েংশিন্ননবগীদমক চৎকদৌরিবা অসিগীদমক ভিসা অদু পীরকখিবনি হায়রি।

মিনিষ্ট্রিগী চেরোল অদুনা হায়, ইন্দিয়াদা চৎকদবা সিক্যুরিটিগী ওফিসল টিমগীদমক শেম শাবশিং লোইশিল্লে। টিম অসি ঙসি ইন্দিয়া থাদোক্কনি। টিম অসিদা য়াওরিবশিংদি মিনিষ্ট্রি ওফ ইন্টরিয়ারগী এফ আই এগী দিরেক্টর উসমান অনৱার অমদি ক্লোনেল অজামনি অদুগা অহুমশুবা মেম্বরনা ন্যু দিল্লিদা লৈবা পাকিস্তানগী হায় কম্মিসনগী ওফিসল অমনা মখোয়গা পুনগনি। ক্লোনেল অজাম অসি পাকিস্তান বোর্দকী সিক্যুরিটি অমদি এন্টি করপসন য়ুনিটকী জেনেরল মেনেজরসু ওইরিবনি।

টিম অসিনা হিমাচল প্রদেশকী চীফ মিনিষ্টর অমদি ষ্টেট পুলিসকী চীফকা উনগনি অমদি মদুগী রিপোর্ট অদু পাকিস্তান ক্রিকেট বোর্দ (পি সি বি) অমদি ফেদরেল ইন্টরিয়র মিনিষ্টর চৌধুরি নিসারদা থাগনি হায়না চেরোল অদুনা মখা তানা ফোঙদোরক্লি।

চৌধুরি নিসার আলি খাননা থাংজ নুমীৎতা হায়খি, মদুদি পি সি বিনা গভর্ণমেন্টনা সিক্যুরিটিগী অয়াবা পীদ্রিবা ফাওবা ঙাইদুনা লৈনবা অমদি টিমবু ইন্দিয়াদা থাদনবা খঙহনবা লৈখ্রবনি। ইন্দিয়া গভর্ণমেন্টনা পাকিস্তান টিমগীদমক সিক্যুরিটি দাইত্ব পুগদবনি হায়না নিসারনা তকশিনখিবনি।

পাকিস্তানগী সিক্যুরিটি দেলিগেসন অসিনা বোর্দ ওফ কন্ট্রোল ফোর ক্রিকেট ইন ইন্দিয়া (বি সি সি আই) গী ওফিসলশিং অমসুং সেনিয়র ইন্দিয়ন সিক্যুরিটি ওফিসলগসু উনদুনা পাকিস্তান টিমদা সিক্যুরিটি পীবগী মতাংদা খন্ন-নৈনগনি হায়রি।

পনবা য়াই, পাকিস্তানগী নুপা টিমনা আই সি সি ৱর্ল্ড টি ২০ গীদমক লাক্লিবা শগোলশেন নুমীৎতা পাকিস্তান থাদোক্কদবা অদু সিক্যুরিটিগী চরাংনবা ফীভম লৈরিবা অসিনা মরম ওইদুনা হান্ননা য়ৈথোকখ্রে অমদি ইন্দিয়াদা লাত্তুনা সিক্যুরিটিগী ফীভম য়েংশিনগদৌরিবা পাকিস্তানগী টিম অদুনা পীখৎপা রিপোর্টকী মতুংইন্না পাকিস্তানগী টিমনা ইন্দিয়াদা চৎপা নৎত্রগা চৎতবগী ফীরেপ লৌগনি হায়না ফোঙদোকখ্রবনি।

চৈরক অসিদা আই সি সি টি-২০ ৱর্ল্ড কপতা শরুক য়াগদবা পাকিস্তানগী নুপী টিম ইন্দিয়াগীদমক লৈবাকপোকপা নুমীৎতা পাকিস্তান থাদোক্কদবা অদু ওইরিবা ফীভম অসিনা চৎতনবা অথিংবা থমখ্রবনি।

অমরোমদা, ইস্লামাবাদতা পাঙথোকখিবা পাউগী মীফম অমদা পাকিস্তানগী ইন্টরিয়র মিনিষ্টর চৌধুরি নিসার আলি খাননা হায়খি, ইন্দিয়াদা চৎকদৌরিবা পাকিস্তানগী সিক্যুরিটি দেলিগেসন টিমনা অয়াবা পীরক্ত্রিবা ফাওবা পাকিস্তানগী ক্রিকেট টিমনা ইন্দিয়াদা চৎলোই। চৎথগদৌরিবা টুর্নামেন্ট অসিদা ঐখোয় টিমদা চপ চাবা সিক্যুরিটি পীগদ্রা হায়বদু সিক্যুরিটি টিমনা য়েংশিনগনি। পাকিস্তান ক্রিকেট বোর্দকী চেয়রমেনদা মতম অদু ফাওবদি ঙাইনবা হায়খ্রে। সিক্যুরিটিগী অয়াবা পীরক্ত্রিবফাওবা লৈবাক অসিগী টিমনসু ঙাইবা ঙমগনি হায়না থাজে হায়না মহাক্না মখা তানা ফোঙদোকখি।

## ইন্দিয়ানা বংলাদেশপু মায়থীবা পীদুনা ৬ লকশুবা ওইনা এসিয়া কপকী টাইটল লৌখ্রে




মিরপুর, মার্চ ০৭ ঃ

বংলাদেশনা য়ুম্বু ওইদুনা হৌখিবা ফেব্রুৱারি ২৪ দগী টিম মঙানা শরুক য়াদুনা চথরকখিবা এসিয়া কপকী ঙরাং শান্নখিবা ফাইনেল মেচতা ইন্দিয়ানা য়ুম্বু বংলাদেশপু ৱিকেট ৮ দা মায়থীবা পীদুনা তরুকলকশুবা ওইনা কপ অসিগী টাইটল লৌবা ঙমখ্রে।

এসিয়া কপকী ফাইনেল মেচ অদু অকনবা নোং চুবনা মরম ওইদুনা অপীবা মতমদগী থেংথনা নুমীদাং পুং ৯ দগী শান্নবা হৌখি। মেচ অদু ওভর ২০ দা শান্নগদবা অদুসু ওভর ১৫ দা তেনশিন্দুনা শান্নখি।

ফাইনেল মেচ অদুদা ইন্দিয়ানা টোস ঙমদুনা বোলিং তৌনবা খনখিদুনা য়ুম্বু বংলাদেশনা অহানবা বেট্টিং তৌখি। মদুদা বংলাদেশনা অপীবা ওভর ১৫ দা ৱিকেট ৫ তুরগা অপূনবা রন ১২০ লৌখি। বংলাদেশনা ইন্দিয়াগীদমক টার্গেট রন ১২১ পীরমখি।

বংলাদেশকী ইন্নিংস অদুদা সবির রহমননা রতন ৩২ অমদি মাহযুদুলাহনা রন ৩৩ লৌদুনা ইন্নিংস লোইবফাওবা বেট্টিং তৌরমখি। অদুগা ইন্দিয়াগী বোলর অশ্বিন, নেহরা, বুমরাহ অমদি জাদেজানা ৱিকেট অমমম লৌদুনা ইন্দিয়াগী মায় পাকপদা চাউনা মতেং পাংখি।

ইন্দিয়ানা মহাক্কী টার্গেট রন লৌনবা তান্নরকখিবদা ওপনর বেটসমেন রোহিৎ শর্ম্মনা অনীশুবা ওভরদা রন ১ খক লৌরম্লগা আউট ওইখি। সিখর ধৱননা ওভর ১২.৪ দা বোল ৪৪ মায়োক্নখিবদা রন ৬০ লৌরগা আউট ওইখি। ধোনিনা বোল ৬ তা রন ২০ অদুগা কোহলিনা বোল ২৮ দা রন ৪১ লৌখি। ইন্দিয়ানা ওভর ১৩.৫ দা ৱিকেট ২ আউট ওইরগা অপূনবা রন ১২২ লৌদুনা য়ুম্বু বংলাদেশপু ৱিকেট ৮ দা মায়থীবা পীদুনা এসিয়া কপকী তরুকশুবা টাইটল লৌবা ঙমখি।

পনবা য়াই, কুমজা ১৯৮৪ দগী হৌরকখিবা এসিয়া কপ অসিদা ইন্দিয়া অমদি শ্রীলঙ্কা অনীনা মঙা মঙারক চেম্পিয়ন ওইবা ঙমখ্রে অদুগা অতোপ্পা এসিয়ন জোইন্ট পাকিস্তাননা অনীরক চেম্পিয়ন ওইবা ঙমখি।

বংলাদেশনা কুমজা ২০১২ গী এসিয়া কপকী ফাইনেল অমুরক চঙবা ঙমখ্রে। ফাইনেল মেচ অদুদা পাকিস্তাননা রন ২ দা বংলাদেশপু মায়থীবা পীরমদুনা চেম্পিয়ন ওইখিবনি। হন্দক বংলাদেশনা ফাইনেল চঙবা ঙমখিবা অসিনা অনীরকশুবা ফাইনেল চঙবা ওইরি।

অহানবা এসিয়া কপ অসি কুমজা ১৯৮৪ দা য়ুনাইটেদ আরব ইমেরিটস (য়ু এ ঈ) গী শারজাহদা পাঙথোকখি। ইন্যুগুরেল এদিসন অদুদা ইন্দিয়ানা শ্রীলঙ্কাবু ফাইনেলদা মায়থীবা পীদুনা চেম্পিয়ন ওইখি। কুমজা ১৯৮৬ কী এদিসনদা শ্রী লঙ্কানা পাকিস্তানবু ৱিকেট ৫ দা মায়থিবা পীদুনা চেম্পিয়ন ওইখি। টুর্নামেন্ট অদু শ্রীলঙ্কানা য়ুম্বু ওইদুনা পাঙথোকখি।

কুমজা ১৯৮৮ দা বংলাদেশনা য়ূম্বু ওইদুনা এসিয়া কপ পাঙথোকখি। মদুদা ইন্দিয়ানা শ্রী লঙ্কাবু ৱিকেট ৬ তা মায়থীবা পীদুনা চেম্পিয়ন ওইখি। কুমজা ১৯৯০-৯১ দা এসিয়া কপ অদু ইন্দিয়ানা য়ূম্বু ওইদুনা পাঙথোকখি। হায়রিবা চেম্পিয়নশিপ অদুদা ইন্দিয়ানা অমুক হন্না চেম্পিয়ন ওইবা ঙমখি।

চেম্পিয়নশিপ অদুগী ফাইনেলদা ইন্দিয়ানা শ্রী লঙ্কাবু ৱিকেট ৭ তা মায়থীবা পীখিবনি। কুমজা ১৯৯৩ গী এসিয়া কপ অদু পাকিস্তান্দা পাঙথোক্কনবা শিন্নখ্রবসু পোলিটিকেলগী ওইবা ঈরাং লৈবদগী পাঙথোক্তনা তোকখি।

কুমজা ১৯৯৫ গী এসিয়া কপ য়ুনাইটেদ আরব ইমিরেটসনা য়ূম্বু ওইদুনা সারজাদা পাঙথোকখি। চেম্পিয়নশিপ অদুদা ইন্দিয়ানা শ্রী লঙ্কাবু ৱিকেট ৮ দা মায়থীবা পীদুনা চেম্পিয়ন ওইবা ঙমখি।

কুমজা ১৯৯৭ কী এসিয়া কপ অদু শ্রী লঙ্কানা য়ূম্বু ওইদুনা পাঙথোকখি। চেম্পিয়নশিপ অদুগী ফাইনেল মেচতা শ্রী লঙ্কানা ইন্দিয়াবু ৱিকেট ৮ দা মায়থীবা পীখি অমদি অমুক হন্না এসিয়াগী চেম্পিয়ন ওইখি।

কুমজা ২০০০ গী এসিয়ন কপ বংলাদেশনা য়ূম্বু ওইদুনা পাঙথোকখি। চেম্পিয়নশিপ অদুদা অহানবা ওইনা পাকিস্তান্না ফাইনেলে চঙলকখি। ফাইনেলদা পাকিস্তান্না শ্রী লঙ্কাবু রন ৩৯ দা মায়থীবা পীদুনা চেম্পিয়ন ওইখি।

কুমজা ২০০৪ গী এসিয়ন চেম্পিয়নশিপ শ্রী লঙ্কানা য়ূম্বু ওইদুনা পাঙথোকখি। চেম্পিয়নশিপ অদুগী ফাইনেলদা শ্রী লঙ্কানা ইন্দিয়াবু রন ২৫ দা মায়থীবা পীদুনা চেম্পিয়ন ওইখি।

কুমজা ২০০৮ গী এসিয়া কপনা শ্রী লঙ্কানা য়ূম্বু ওইদুনা পাঙথোকখি। ফাইনেলদা শ্রী লঙ্কানা অমুকসু হন্না ইন্দিয়াবু রন ১০০ দা মায়থীবা পীদুনা চেম্পিয়ন ওইখি।

কুমজা ২০১০ গী এসিয়া কপ শ্রী লঙ্কানা য়ূম্বু ওইদুনা অমুকসু হন্না পাঙথোকখি। চেম্পিয়নশিপ অদুগী ফাইনেলদা ইন্দিয়ানা শ্রী লঙ্কাবু রন ৮১ দা মায়থীবা পীদুনা চেম্পিয়ন ওইখি।

কুমজা ২০১২ গী এসিয়া কপনা বংলাদেশনা য়ূম্বু ওইদুনা পাঙথোকখি। ফাইনেলদা পাকিস্তান্না য়ূম্বু বংলাদেশপু রন অনীখক্তদা মায়থীবা পীদুনা চেম্পিয়ন ওইখি।

কুমজা ২০১৪ গী এসিয়া কপসু বংলাদেশনা অমুক হন্না য়ূম্বু ওইদুনা পাঙথোকখি। চেম্পিয়নশিপ অদুগী ফাইনেলদা শ্রী লঙ্কানা পাকিস্তানবু ৱিকেট ৫ দা মায়থীবা পীদুনা চেম্পিয়ন ওইখি।

## ভেটরান রেষ্টলর য়োগেশ্বরনা ওলেম্পিক ক্বালিফাইয়রগীদমক ইন্দিয়ন নেসনল স্কাদ লুচিংগনি



ন্যু দিল্লি, মার্চ ০৭ ঃ

ভেটরান রেষ্টলর য়োগেশ্বর দত্তনা মার্চ ১৮ দগী ২০ ফাওবা কাজাখস্তানগী অষ্টানাদা পাঙথোক্কদৌরিবা এসিয়ন ওলেম্পিক ক্বালিফাইয়িং টুর্নামেন্টদা শরুক য়াগদবা ইন্দিয়াগী টিমবু লুচিংগনি।

ইন্দিয়াগী নুপা টিমগী ফ্রী ষ্টাইলদা রেষ্টলর মঙা অমদি গ্রেকো- রোমান কেটগোরিদা রেষ্টলর তরুক য়াওরি অদুগা নুপী টিমদনা রেষ্টলর তরুক য়াওরি। টিম অসি হৌখিবা ইরাই অমদি থাংজ নুমীৎতা ন্যু দিল্লিদা পাঙথোকখিবা নেসনেল ট্রাইয়েলদগী খনগৎখিবনি।

ট্রাইয়েল অদুদা য়োগেশ্বরনা কেজি ৬৬ কী ফ্রী ষ্টাইল কেটগোরিদা এসিয়ন চেম্পিয়ন অমিট ধঙ্করবু মায়থিবা পীখি। দো অনী অসিনা প্রো রেষ্টলিং লীগকী ইন্যুগুরেল এদিসনদা মায়োক্নদুনা শান্নখিবগা লোয়ননা য়োগেশ্বরনা ৱিন্নর ওইখিবনি।

নুপাগী কেজি ৫৭ কীদা রাহুল অৱারেনা সন্দীপ টোমারবু মায়থীবা পীদুনা ইন্দিয়ন স্কাদতা য়াওবা ঙমখি অদুগা সোমভীরনা কেজি ৮৬ কী দিভিজন্দা গোপাল য়াদভপু মায়থীবা পীখি।

নুপীগী স্কাদতা ভিনেশ ফোগাট (কেজি ৪৮), ববিতা কুমারী (কেজি ৫৩) অমদি নভজোট কৌর (কেজি ৬৭) য়াওনা এক্সপরিয়েন্স লৈরবা গ্রেপ্পলরশিং য়াওরি।

অষ্টানা ইভেন্টকী মতুংদা ইন্দিয়াগী টিমনা জোর্জিয়া অমদি বেলারসতা ট্রেনিংগীদমক চৎকনি। অদুগা এপ্রিলগী ২০ দগী ২৪ ফাওবা মোঙ্গোলিয়াদা পাঙথোক্কদৌরিবা অহানবা ৱর্ল্ড ক্বালিফিকেসন টুর্নামেন্টতসু শরুক য়াগনি।

ইন্দিয়াগী স্কাদশিং অদুদি নুপাগী ফ্রী ষ্টাইলদা রাহুল অৱারে (কেজি ৫৭), য়োগেশ্বর দত্ত (কেজি ৬৫), সোমভীর (কেজি ৮৫), সাটয়াৱার্ট কাদিয়ন (কেজি ৯৭) অমদি হিটেন্দর (কেজি ১২৫) নি। গ্রেকো-রোমানদা রভিন্দর সিংহ (কেজি ৫৯), রাভিন্দর (কেজি ৬৬), গুরপ্রীট সিংহ (কেজি ৭৫), রভিন্দর খাট্রি (কেজি ৮৫), হরদীপ সিংহ (কেজি ৯৮) অমদি নভীন (কেজি ১৩) নি।

নুপীগী স্কাদতা ভিনেল ফোগাট (কেজি ৪৮), ববিতা কুমারী (কেজি ৫৩), সকশি মালিক (কেজি ৫৮), অনিটা (কেজি ৬৩), নভজোট কৌর (কেজি ৬৭) অমদি কিরন (কেজি ৭৫) নি।

## ইন্দিয়াগী নুপী নেসনল হোকি টিমগী ষ্ট্রেটেজি কোচ মহাক্কী ফমদগী রিজাইন তৌনবা ৱারেপ লৌখ্রে



ন্যু দিল্লি, মার্চ ০৭ ঃ

রিও ওলেম্পিক্স পাঙথোক্কদবা থা মঙারোমদমক ঙাইরক্লবা চৈরক অসিদা হোকি ইন্দিয়াদা চাউরবা চৈথেং অমা পীবা ওইনা লৈবাক অসিগী নুপীগী নেসনল হোকি টিমগী ষ্ট্রেটেজি কোচ মাহয়াস এহরেন্সনা মহাক্কী ফমদগী রিজাইন তৌনবা ৱারেপ লৌখ্রে।

হোকি ৱর্ল্ড লীগকী মাঙওইননা মমাঙ চহীগী মে থাদগী ইন্দিয়ন নুপী হোকি টিমগী ষ্ট্রেটেজি কোচ ওইনা কনাদাগী মাহয়াস এহরেন্সনা থৌ পুদুনা লাকখিবনি। মহাক্না হেদ কোচ ওইনা থৌ পুরিবা ওষ্ট্রেলিয়াগী নেল হোগুদকী মখাদা থবক তৌবদা কয়া চুশিন্নদনা লাকখিবনি।

ইন্দিয়াগী নুপীগী নেসনল হোকি টিমগী ষ্ট্রেটেজি কোচ মাহয়াস এহরেন্সনা মহাক্কী ফম থাদোকপগী চেরোল অদু মমাঙ চয়োলদা হোকি ইন্দিয়াগী প্রসিদেন্ট নরিন্দর বত্রাদা পীশিনখিবনি।

হোকি ইন্দিয়াগী প্রসিদেন্ট নরিন্দর বত্রানা হায়খি, মাহয়াস এহরেন্সনা মমাঙ চহীগী ওক্টোবর থাদা মহাক্কী ফম অসি থাদোক্লুবদগী ঐখোয়না য়াম্না কন্না হায়জবদগী মখা তানা ফম অসি পুদুনা লাকখিবনি। অদুবু হন্দক্কী অসিদদি মহাক্না হকথেংননা উনদুনা ৱারী শান্নবদগী মহাক্কী ইমুং মনুংগী লৈরিবা ফীভমশিং অদু ময়েক শেংনা খঙলে। মসি মরম চায় হায়নসু খল্লি। মহাক্কী মহৎ শিন্নবা মীওই অদু ঐখোয়না খন্নবা লোইরে অমদি অনৌবা ষ্ট্রেটেজি কোচ অমা থা অসিগী অরোইবা শরুক ফাওবগী মনুংদা লাক্লবা য়াই হায়না হায়খি।

হোকি ইন্দিয়াগী প্রসিদেন্টনা অনৌবা ষ্ট্রেটেজিগী কোচ অদুগী মমিং ফোঙদোক্ত্রবসু ফম অসি পায়গদৌরিবা মীওই অদু ওষ্ট্রেলিয়াদগী ওইরবা য়াই হায়না পাউগী লীখুন অমনা ফোঙদোক্লি।

স্পের্টস ওথোরিটি ওফ ইন্দিয়া (সাই) গী সেনিয়র ওফিসল অমনা হায়খি, অনৌবা ষ্ট্রেটেজি কোচ ওইনবগীদমক ওষ্ট্রেলিয়াগী মীওই অদুদা চে থাদুনা খঙহনখ্রে। মহাক্না অয়াবা হেক পীরকপগা মহাক্কী মমিং মীয়ামদা লাউথোক্কনি হায়খি।

হৌখিবা কুমজা ২০১৪ গী নবেম্বর থাদা নেল হোগুদনা মরম অমত্তা পীবা তৌদনা মহাক্কী চীফ কোচকী ফমদগী থাদোকখ্রবা মতুং মাহয়াস এহরেন্সপু মমাঙ চহীদা ইন্দিয়াগী নুপী টিমগী চীফ কোচ ওইনা খনখিবনি। মদুগী মতুং মাথায়স এহরেন্সনা ইন্দিয়াগী নুপা টিমগী চীফ কোচ ওইনসু থা তরুক পুরমখি। নেল হোগুদনা কুমজা ২০১৫ গী ওক্টোবর ২৮ দা ইন্দিয়াদা অমুক হল্লক্তুনা এসিষ্টেন্ট কোচ ওইনা থৌ পুখি। মহাক্না ইন্দিয়াগী নুপী হোকি টিমনা অফবা পাফোর্মেন্স পীবা ঙম্নবা মাথায়স এহরেন্সকী মতেং পাংবনি। অদুবু নেল হোগুদনা শান্নরোয়শিংগা ৱারী শান্নরবা মতুং নুমীৎ হুন্নী লৈরগা হোকি ইন্দিয়ানা নেল হোগুদপু চীফ কোচ ওইনা খনখি অদুগা মাথায়স এহরেন্সপুনা ষ্ট্রেটেজি কোচ ওইনা পুহনখিবনি।

## লসিট মলিঙ্গানা ৱর্ল্ড টি-২০ গী মাঙওইননা শ্রী লঙ্কাগী কেপ্তেন ওইবদগী পোথাখ্রে, এঞ্জেলো মেথিয়ুনা কেপ্তেন ওইরগনি



কলম্বো, মার্চ ০৭ ঃ

মশাগী অশোকপা লৈবদগী ফগৎলকপা ঙমদনা লৈরিবা পেসর লসিট মালিঙ্গানা ইন্দিয়ানা য়ূম্বু ওইদুনা পাঙথোক্কদৌরিবা ৱর্ল্ড টি-২০ গী মাঙওইননা শ্রী লঙ্কাগী কেপ্তেন ফমদগী পোথাখ্রে।

হন্দক্তুনা বংলাদেশনা য়ূম্বু ওইদুনা পাঙথোকখিবা এসিয়া কপ্তা লসিট মালিঙ্গানা মহাক্কী হান্না শোকখিবা খুউদা অমুক হন্না শোকখিদুনা ডোক্তরগী এদভাইস মখাদা লায়েংলিবনি।

মালিঙ্গানা কেপ্তেন ওইদুনা মহাক্কী লৈবাক্কীদমক হৌখিবা এদিশনগী ৱর্ল্ড টি -২০ দা শরুক য়াদুনা মহাক্কী লৈবাক্কীদমক টাইটল লৌখিবনি।

শ্রী লঙ্কাগী ও দি আই অমদি টেষ্ট সেরিজদা লমজিংদুনা লাকখিবা ওল রাউন্দর এঞ্জেলে মেথিয়ুনা হৌজিক লৈবাক অসিগী ক্রিকেটকী লৈরিবা ফোর্মেট অহুম ও দি আই, টেষ্ট অমদি টি-২০ গী কেপ্তেন ওইরগনি হায়না শ্রী লঙ্কা ক্রিকেট (এস এল সি) কী সোর্স অমনা ফোঙদোরক্লি।

শ্রী লঙ্কা ক্রিকেটকী ভাইস প্রসিদেন্ট মোহন দি শিলভানা হায়খি, মালিঙ্গানা হৌখিবা নুমিদাংদা মহাক্না কেপ্তেন ওইবদগী পোথাজরগে হায়না অইবা চেরোল পীশিল্লকখি। অদুমকপু মহাক্না মহাক্কী লৈবাক্কী টিমগীদমক প্লেয়র ওইনা খল্লকপদা অকায়বা লৈতে হায়না ফোঙদোরকখি হায়না শিলভানা মখা তানা হায়খি।

শ্রী লঙ্কাগী ক্রিকেটনা মালিঙ্গানা কেপ্তেন ওইবদগী পোথাখিবদা নুংঙাইতবা ফোঙদোকপগা লোয়ননা মহাক্না লৈবাক অসিগীদমক ক্রিকেটকী লমদা লৌরম্বা থৌদাং অদুবু শিংথাখি।

করিগুম্বা মহাক্না মহাক্কী অনাবা লৈরিবা অদু ফগৎলক্লবদি শুংশোই শোইদনা টিমগী অচৌবা দাইত্ব পুখিগনি হায়বা ৱাফম মমাঙদা মালিঙ্গানা ফোঙদোকপা লৈখ্রবনি।

মালিঙ্গানা বংলাদেশতা পাঙথোকখিবা এসিয়া কপকী মখোয়গী ওপনিং মেচতা শান্নখি। অদুবু নিংথিনা মথৌ পাঙথোকপদি ঙমখিদে। আইলেন্দর অসিনা কপ অদুদা ফাইনেল চঙবা ঙমদনা মপান থোকখি। মখোয়না ইন্দিয়া, পাকিষ্টান অমদি য়ূম্বু বংলাদেশকা মায়োক্নদুনা শান্নখিবা মেচশিং অদুদা অনেম্বা পার্ফোমেন্স উৎখিদুনা মায়থীহৌখিবনি।


B.C.C. Manipur
Under the guidance of BOSEM/COHSEM Estd. 1995
KAKWA ASEM LEIKAI, NEAR OIL PUMP
(The longest Coaching Centre in Manipur and 21 years service)
ADMISSION OPEN
CRASH COURSE FOR NERIST 2016
Class Commencing from 28th March, 2016
Our selected students for last year 2013-14 &15
KHUNDRAKPAM RANJAN SINGH, Khangabok Part-II Maisnam Leikai, Rank-1, Roll No. 10610020
UMAKANTA SAIKHOM, Khangabok Mayai Leikai, Rank-10, Roll No. 107100888
JOGELDRAJIT THONGAM, Pheijaleitong Nameirakpam Leikai, Wait Listed Rank-3, Rank-10, Roll No. 106100144
L. YAIPHABA MEITEI, Soibam Leikai Wangkhei Khunou, Wait Listed, Rank-6, Roll No. 106100288
MAYANGLAMBAM GOBIN SINGH, Awang Khunou Lamkhai, Langjing, Rank-1, Roll No. 106100533
VICTOR MOIRANGTHEM, Khangabok Bazar, Thoubal, Rank-2, Roll No. 103100598
NINGTHOU OINAM, Sagoltongba Mayai Leikai, IW, Rank-2, OBC, Roll No. 106100423
ARNOH PUKHRAMBAM, Kwakeithel Moirangpurel Leikai, IW, Rank-4, Roll No. 106100505
NINGTHOUJAM KABIRAJ SINGH, Khangabok Awang Leikai, Rank -6, Roll No. 105100270
SAIKHOM ROHIT SINGH, Khangabok Awang Leikai, Rank -2, Roll No. 106100009
FOUNDATION COURSE
Class IX, X, XI & XII (Sc)
COHSEM/CBSE (Separate Class)
Class commencing from 4th April, 2016
Last date of form submission 2nd April, 2016
Class Timing: 4:30 pm to 7: 30 pm
Office Hours: 4pm to 8 pm
Please Contact:
B.C.C. Manipur
(Elite Sr. Sec. Building)
Kakwa Asem Leikai, Burma
Hostel & Van Service facilities # 8731833072 / 9615385953
HL-B/3000/05/03-4/04


## বেঙ্গালুরু এফ সি অমসুং স্পোর্টিং ক্লব দি গোৱা ড্রো চৎখ্রে



ভাস্কো, মার্চ ০৭ ঃ

লৈবাক অসিগী মমিং লৈরবা টিম মাপননা শরুক য়াদুনা চথরিবা আই-লীগ ২০১৫ গী নোংমাইজিং নুমীৎতা শান্নখিবা মেচতা বেঙ্গালুরু এফ সি অমদি স্পোর্টিং ক্লব দি গোৱানা গোল ২-২ দা ড্রো চৎখ্রে।

মেচ অদু হেক হৌবদগী য়ুম্বু গোৱানা বেঙ্গালুরুগী সাইদতা অকনবা এটেক তৌদুনা গোল চন্ননবা হোৎনখি। মখোয়না চঙশিনখিবা এটেক্তা মেচকী মিনিট ১৯ চৎপা মতমদা মার্কস মাস্কারেনহাসনা গোল অমা চনশিন্দুনা ১-০ দা মাঙজিল থানা চৎখি। বেঙ্গালুরুসু গোল হন্দোক্নবা অকনবা এটেক তৌদুনা গোৱাগী সাইদতা অকনবা প্রেসর পীখি। মখোয়না অকনবা প্রেসর পীখ্রবসু গোল চনবদি পাক হেক ঙমখিদে। য়ুম্বু গোৱানা অহেনবা গোল চন্দুনা মায় পাক্ন বগীদমক চঙশিনখিবা শাফুদা মেচকী মিনিট ৩৮ চৎপা মতমদা ওদাফা ওকোলিনা গোল অমগা চনশিন্দুনা ২-০ দা অমুক হন্না মাঙজিল থানা চৎখি। গোল চনখিবা ইকুই কুইদনা বেঙ্গালুরুনা কাউন্টর এটেক তৌদুনা চঙশিনখিবা এটেক্তা গোৱাগী প্লেয়র লভদেনা বোক্স মনুংদা মখুৎনা বোল শোক্লুবগীদমক রেফ্রিনা বেঙ্গালুরুগী ফেভরদা পেনাল্টি কোর্নর অমা পীখি। পেনাল্টি কোর্দর অদু টিম কেপ্টেন সুনিল ছেত্রিনা গোল ওন্থোক্তুনা ইক্বেলাইজ তৌদুনা ১-২ দা অমুক লৈখি।

গোৱাগী লভদেনা মেচ অদুদা অমুক্কা হন্না ফাউল তৌখিবদগী রেফ্রিনা মহাক্কী অনীশুবা য়েল্লো কার্দ পীখিদুনা মেচতগী মপান থোকখি। স্পোটিং ক্লব দি গোৱানা প্লেয়র ১০ খক্তনা শান্নরকখি। প্লেয়র ৱাৎপগী খুদোংচাবা লৌদুনা বেঙ্গালুরুনা গোল এটেম্পশিং গোৱাগী সাইদতা তৌখি। মেচকী মিনিট ৬৭ চৎপা মতমদা বেঙ্গালুরুগী কেপ্টেন সুনিল ছেত্রিনা গোল অমগা অমুক চনশিন্দুনা ২-২ দা লৈনখি। মখা তানা বেঙ্গালুরুনা মায় পাক্তবা য়াদে হায়দুনা অকনবা শাফুগা লোয়ননা গোৱাগী সাইদতা চঙশিনখিবা এটেক অমদা মেচকী মিনিট ৮৯ চৎপা মতমদা দেনিএলনা অকনবা শাফুদা গোল পোষ্ট তম্না কাওশিনখিবদা পোষ্টকী বার মথক লান্না চৎখিবদগী গোল চল্লম্বা য়াবদু অরেম্বা তাখি।